## মে ২৫দগী সেমিষ্টর এগজাম হৌরগনি

চেন্নাই, মে ১১ (এজেন্সী):
টামিল নাদুদা টোটেল লোকদাওন থমখিবনা মরম ওইদুনা সস্পেন্দ তৌখিবা নৎত্রগা থিন্থরকখিবা ইঞ্জিনীয়ারিং সেমিষ্টর এগজামশিং মে ২৫দগী হৌরগনি হায়না হায়র এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।

গভর্ণমেন্টনা হৌখিবা নভেম্বর/দিসেম্বর সেমিষ্টর এগজামশিংদা ফেল ওইখিবা মহৈরোয়শিং অমুক হন্না টেষ্ট তৌগনি হায়নসু লাউথোকখ্রে। মসিনা ষ্টেট অসিগী ইঞ্জিনীয়ারিং মহৈরোয়শিংদা খুদোংচাবা অমা পীরি। অইবা এগজামগীদমক্তা মহৈরোয়শিংনা অহেনবা ফী থিনিংঙাই ওইদে হায়নসু গভর্ণমেন্টকী চেরোল অমনা হায়রি।

নভেম্বর/দিসেম্বরগী সেমিষ্টর এগজামিনেসনশিং লোকদাওননা মরম ওইদুনা থিন্থখিবা মতুংদা চহীসিগী ফেব্রুৱারী থাদা ওনলাইনদা পাঙথোকখি। মহৈরোয়শিং ফেকল্টি মেম্বরশিং অমদি আর্টিফিসিএল সোফটৱ্যের অনীমক্না ইনভিজিলেট তৌখি।

পনবা য়াবদি, অন্ন য়ুনিভর্সিটিনা মহৈরোয় কয়াগী রিজল্টশিং ফী পীদবা, অরান-অহুই তৌবগী চিংনবা লৈবনচিংবা মরম কয়াদগী ৱিথহেল্ড তৌখিবনি। মহৈরোয় কয়ানা মখোয়গী রিজল্টশিং কান্নদবদা য়ুনিভর্সিটি অসিদা ৱিথহেল্ড তৌই হায়না মরাল শীখি।

## 'হায় কোর্টনা থীজিনগদবনি'

পানাজি, মে ১১ (এজেন্সী):
গোৱাগী মরু ওইবা হোস্পিটাল ওইরিবা গোৱা মেদিকেল কোলেজ (জি এম সী)দা ওক্সিজেন সপ্লায় ৱাৎপগী মতাংদা গোৱাদা লৈবা বোম্বে হায় কোর্ট বেঞ্চনা থিজিনগদবনি অমসুং কোর্ট অসিনা হেল্থ ফেসিলিটি অসিগী কোভিদ মেনেজমেন্টকী থবক পায়শিনগদবনি হায়না হেল্থ মিনিষ্টর বিস্বজিৎ রানেনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা থা খরা অসিদা কোভিদ মেনেজমেন্টকী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর প্রমোদ সৱান্তকা য়েৎনদুনা লাকখিবা রানেনা হায়খি মদুদি, ওক্সিজেন নীংথিনা মেনেজ তৌদবগী ৱাফম লৈতে। হোস্পিটাল অসিদা ওক্সিজেন মরাং কায়না ফংবা নৎত্রগা ফংদবগী মতাংদা সৱান্তপু মিসগাইদ তৌবা লৈখি।

ওক্সিজেন নীংথিনা মেনেজ তৌখিবরা নৎত্রগা য়াম্না মরু ওইরিবা গ্যাস অসিগী সপ্লায়গী মতাংদা অৱাৎপা লৈখিবরা হায়বদু হায় কোর্টনা চেক তৌবীনবা অমসুং এক্সপর্টশিংগী মতেংগা লোয়ননা হ্বাইট পেপর অমা পুথোকপীনবা ঐহাক্না হায়জরি। জি এম সিগী কোভিদ মেনেজমেন্ট হায়কার্টনা পায়বীগদবনি হায়না রানেনা মখা তাখি।

## পোকখায়বদা মীওই ৩ শিরে

হর্দা, মে ১১ (এজেন্সী):
মধ্য প্রদেশকী হর্দা দিষ্ট্রিক্টকী য়ূম অমদা ওপরেট তৌবা ফায়র ক্রেকর ফেক্টরি অমদা খংহৌদনা পোকখায়রকপদগী য়ামদ্রবদা মীওই অহুম শিরে, অনীনা অশোক অপন নংখ্রে। থৌদোক অদুদা শিখিবা মীওই অহুম অদু ইমুং অমগী নুপী অহুম্নি। পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক্তা সিভিল লাইন পুলিস ষ্টেসন এরিয়ানা কোনবা বৈরাগা এরিয়াগা নক্না গভর্ণমেন্ট ইন্দষ্ট্রিএল ট্রেনিং ইন্সটিট্যুটকী মমাঙদা লৈবা লোকেশ বেলদার কৌবা অমগী য়ূমদা খংহৌদনা পোকখায়রকখি।

পোকখায়বগী থৌদোক অদুগী মতুংদা য়ূম অদু মৈ চাক্লকখি। পুলিসনা থৌদোক অদুগী মতাংদা কেস অমা লৌখৎতুনা থিজিনবা হৌখ্রে।

## 'আই সী য়ু বেদকী অৱাৎপা লৈতে'

ন্যু দেল্লী, মে ১১ (এজেন্সী):
নেসনল কেপিটেলদা নুমিৎ খরনি লেপ্তুনা কোভিদ-১৯ কেস ৱাংদুনা লাকখিবা মতুং মে ৯ অমসুং ১০দা কেস হন্থরকখিবগা লোয়ননা সিটি অসিগী হোস্পিটালশিংদা আই সী য়ু বেদ ৱাৎপগী প্রোব্লেম লৈতে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেসননা ক্লেম তৌখ্রে।

নোংমদা থেংনবা পোজিটিভ কেসতা নত্তনা নেসনল কেপিটেলগী পোজিটভ রেটকী চাংসু চাদা ২০ য়ৌদ্রে। মে ১০দা দেল্লীগী পোজিটিভ রেট চাদা ১৯.১০ ওইখি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা গুরুটেগ বহাদুর হোস্পিটালদা ওক্সিজেন ফেসিলিটি অমদি আই সী য়ুগা কোন্নরনা বেদ ৫০০ য়াওবা কোভিদ ক্যের সেন্টর অমা হাংখি।

# সেন্টরনা ষ্টেটশিং অমসুং য়ু টিশিংগা কোভিদ ভেক্সিনেসনগী প্রোগ্রাম রিভিয়ু তৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ১১ (এজেন্সী):
লৈবাকপোকপা নুমিত্তা য়ুনিয়ন হেল্থ সেক্রেটরি রাজেশ ভুশন অমসুং কোভিদ-১৯ থেংনবগী ইম্পৱার্দ গ্রুপ ওন টেক্নোলোজি এন্দ দেটা মেনেজমেন্টকী চ্যেরমেন অমসুং নেসনল এক্সপর্ট গ্রুপ ওন ভেক্সিন এদমিনিষ্ট্রেসন ওফ কোভিদ-১৯গী মেম্বর দা. আর এস শর্ম্মানা ষ্টেটশিং অমসুং য়ু টিশিংগী হেল্থ সেক্রেটরিশিং অমদি এন ঐচ এম এম দিশিংগা কোভিদ ভেক্সিনেসনগী ষ্টেটস ভিদিও কনফরেন্সকী খুত্থাংদা রিভিয়ু তৌখ্রে।



মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রামশিংগী মনুং চল্লিবা লৈবাক শীন-থুংনা পাঙথোক্লিবা ইন্দিয়াগী কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম চহী অসিগী জন্যুৱারী ১৬তা হৌখি। লিবরেলাইজ প্রাইসিং এন্দ এক্সলেরেটেদ নেসনল কোভিদ-১৯ ভেক্সিন ষ্ট্রেটেজি ইমপ্লিমেন্ট তৌবগা লোয়ননা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অসি হেন্না পাকথোক চাউথোকহন্দুনা হৌখিবা মে ১দগী চহী ১৮ মথক্কী সিটিজনশিংসু য়াওহনখি।

ভেক্সিনেসনগা মরী লৈননা ষ্টেটশিংগী তোঙান তোঙানবা দেটাদগী ভেক্সিনেসন দ্রাইভকী মরমদা ৱাফম কয়া খঙলবা মতুংদা য়ুনিয়ন হেল্থ সেক্রেটরিনা ষ্টেটশিংনা তৌগদবশিং হাইলাইট তৌখ্রে। ষ্টেটশিংনা মরু ওইনা তৌগদবশিংগী মনুংদা অহানবা ভেক্সিন দোজ কাপখ্রবা বেনিফিসরি খুদিংমক অনীশুবা দোজ শোয়দনা কাপ্পবা হোৎনবা অমসুং অনীশুবা দোজ ঙাইরিবা বেনিফিসরিশিংগী মশিং য়াম্বগী মতুং ইন্না চানবা থৌরাংশিং পায়খৎপা য়াওই।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লেম্না সপ্লায় তৌখিবা ভেক্সিনশিংগী চাদা ৭০ ষ্টেটশিংনা অনীশুবা দোজ কাপ্পবগীদমক রিজর্ভ তৌবা য়াই অমসুং চাদা ৩০না অহানবা দোজ কাপ্পদা শীজিন্নবা য়াই। তৌইগুম্বসুং ষ্টেটশিংনা ফিভম য়েংলগা চাদা ১০০ রিজর্ভ তৌবা য়াই। কোৱিনদা য়াওরিবা প্লান্নিংদা খুদোংচানবা ষ্টেটশিংদা খঙহল্লি।

দোজ অনী কাপ্পুনা ভেক্সিনেসন মপূং ফাহনবগী তঙায় ফন্দবা লৈ হায়বসি মীয়ামদা ৱাখল তাহন্নবা ষ্টেটশিং অমসুং য়ু টিশিংদা খঙহনখি। য়ুনিয়ন হেল্থ সেক্রেটরিনা ষ্টেটশিংদা প্রাইওরিটি গ্রুপশিং ভেক্সিন কাপ্পবা তকশিনখি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী চেন্নেলদগী ভেক্সিনগী মতাংদা ষ্টেটশিংদা মাঙজৌননা শেংনা খঙহল্লি। ষ্টেটশিংগী প্লান্নিংদা খুদোংচাহন্নবগীদমক্তা লাক্কদৌরিবা থাখাইগী ফিভমশিংসু মাঙজৌননা খঙহল্লি। মে ১৫-৩১দা তাবা মথংগী এলোকেসন ষ্টেটশিংদা মে ২৪দা খঙহনগনি।

# হান্নগী এম পি পাপ্পু য়াদব লোকদাউনগী রুল থুগায়বগী ফারে

পটনা, মে ১১ (এজেন্সী):
বিহারগী হান্নগী এম পি অমসুং জান অধিকার পার্টি (জে এ পি)গী প্রসিদেন্ট রাজেশ রঞ্জন এলিয়স পাপ্পু য়াদব লোকদাউনগী রুলশিং থুগায়বগীদমক লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পটনা পুলিসনা ফারে।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক্তা দি এস পি রেঙ্ককী ওফিসর অমনা লুচিংবা অচৌবা পুলিস ফোর্স অমা পাপ্পুগী ওফিস রেসিদেন্স মান্দিরিদা থুংখি অমসুং মহাকপু ফাখি। অহানবদা মহাক হাউস এরেষ্ট তৌখি। তৌইগুম্বসুং মহাক মতুং তাবদা গান্ধি মাইদানদগী পুলিস ষ্টেসন্দা পুখি। মহাকপু ফাবগী পাউ অসি পটনা পুলিসনা কনফর্ম তৌখি।

গান্ধি মাইদান পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর অমনা ফোঙদোরকপদা মহাক পটনাদা লোকদাওনগী রুলশিং থুগায়বগী মরালদা ফাবনি। লোকদাওন মনুংদা মহাক্না হোস্পিটাল কয়াদা চৎখি। মহাক্কী থৌওং অদুবু ইপিদেমিক দিজিজ এক্টকী রুলশিং খোঙ্গাওনৈ।

মসিদা নত্তনা রাজিব প্রতাপ রুদিগী অমনুর ওফিসতা মহাক্না রেইদ তৌখিবা নুমিত্তসু সরন পুলিসনা মহাক্কী মায়োক্তা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌখি। গভর্ণমেন্ট প্রোপর্টি মাঙহন তাকহনবগীদমক্তা এফ আই আর অদু রেজিষ্টর তৌখিবনি। সরন পুলিসনা মহাকপু এম্বুলেন্স ৩৯ মহাক্কী ওফিসতা পৈশিনবগী মরাল শীরবসু মহাক্না লম অদু রাজিব প্রতাপ রুদিগীনি হায়না ক্লেম তৌখি।

রুদিনা মহাক্কী ওফিস কেম্পসতা এম্বুলেন্স ৩৯ থমজিল্লম্বগী মতাংদা খঙহল্লুবগীদমক ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা জে এ পিগী চীফ অসিগী মায়োক্তা লমন খুন্বগী থৌওং চথুরে হায়না ছোর্স খরনা ফোঙদোরকখি।

এম্বুলেন্সশিং অদু পেন্দমিক্কী মতম অসিদা হেন্না ফবা মওংদা শীজিন্নবা য়াগনি হায়না পাপ্পু য়াদবনা ফোঙদোকপা লৈখি। য়াদবনা মখা তানা হায়খিবদা, বিহারগী মীয়াম্না এম্বুলেন্সকীদমক্তা ৱানরি। পেসেন্টশিং অমসুং অশিবা হকচাংশিং পুবদা নমদুনা লুপা ৭০০০ তগী লুপা ২৫,০০০ ফাওবা তিংহল্লি। বিহারগী দিষ্ট্রিক্ট কয়াদা পেসেন্ট অমসুং অশিবা হকচাং কয়া কার্ট অমসুং সাইকলশিংদা পুনরি। অমরোমদা রুদিনা মহাক্কী ওফিসতা এম্বুলেন্স ৩৯ থমজিল্লি। এম্বুলেন্সশিং অদু কুমজা ২০১৯দা এম পি ফন্দ শীজিন্নরগা লৈখিদবনি।

পাপ্পুগী ৱাফম অসি রিয়েক্ট তৌরদুনা রাজিব প্রতাপ রুদিনা এম্বুলেন্সশিং অদু দ্রাইভর লৈতবদগী থম্বনি হায়না ক্লেম তৌখি।

# য়ুনিভর্সেল কোভিদ-১৯, দেসবোর্দ থম্নবা এন ঐচ আর সীনা সেন্টর অমদি ষ্টেটশিংদা খঙহনখ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ১১ (এজেন্সী):
লৈবাক অসিনা কোরোনাভাইরস পেন্দমিক্কী অনীশুবা ৱেভকী চৈথেং নংলিঙৈ মতম অসিদা সেন্টর অমসুং ষ্টেটশিংনা য়ুনিভর্সেল কোভিদ-১৯ দেসবোর্দশিং থমদুনা মীয়ামদা হোস্পিটালশিংদা ফংলিবা বেদ, ওক্সিজেন, ক্রিটিকেল ক্যেরদা চঙবা হীদাকশিং অমদি দিভাইসশিংগী মতাংদা খূদক খূদক্কী ওইবা খঙহন্নবা নেসনল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এন ঐচ আর সী)না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সেন্টর অমসুং ষ্টেটশিংদা খঙহনখ্রে।

লেপ্তুনা মথৌ তৌগদবা টোল ফ্রী হেল্প লাইনশিং থম্নবা অমসুং কোভিদ ট্রিটমেন্ট রিছোর্সশিংগী মমল ফিক্স তৌনবসু কম্মিসন্না সেন্টর অমসুং ষ্টেটশিংদা খঙহনখ্রে।

মে ৪ দা ইস্যু তৌখিবা এদভাইজরিগী খূত্থাংদা কম্মিসন্না সেন্টর অমসুং ষ্টেটশিংদা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিং লায়েংবদা চঙবা য়াম্না তঙায় ফদবা হীদাক লাংথকশিং, ওক্সিজেন সিলিন্দরশিং অমসুং ক্রিটিকেল ক্যের দিভাইসশিং পৈশিন্দুনা থল্লিবা অমসুং ব্লেক মার্কেটিং তৌরিবা মীওইশিংগী মায়োক্তা খূদক্তা এক্সন লৌখৎনবসু কম্মিসন্না সেন্টর অমসুং ষ্টেটশিংদা রিকমেন্দ তৌখি।

ইসেন্সিএল রিছোর্সশিং পুথোকপগী চাং হেনগৎপগা লোয়ননা পোৎলমশিং অসিগী ট্রান্সপোর্টেসন অমসুং দিষ্ট্রিব্যুসনগী থবকসু ফগৎনবা কম্মিসন্না মখোয়দা খঙহনখি। মতুংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থকী সেক্রেটরি অমসুং ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংগী চীফ সেক্রেটরিশিংদা থাখ্রবা এদভইজরি ২.০দা য়াওরিবা রিকমেন্দসনশিংগী মতাংদা চয়োল মরিগী মনুংদা এক্সন টেকন রিপোর্ট পীরক্নবসু খঙহনখি।

কম্মিসন্না ইস্যু তৌখিবা ২.০ এদভাইজরিদা য়াওরিবা মরু ওইবা রিকমেন্দেসন খরদি, পব্লিক হেল্থ ফেসিলিটি অমদা লাক্লিবা কোভিদ-১৯ পেসেন্ট খুদিংমকপু লেম্না লায়েংবা অমসুং প্রিলিমিনরি চেক অপকীদমক্তা পব্লিক অমসুং প্রাইভেট হোস্পিটাল খুদিংমক্তা হেল্প দেস্কশিং থম্বা য়াওরি।

লৈবাক অসিগী হেল্থ ফেসিলিটি খুদিংমক্কী ওইবা কোভিদ ভেক্সিনশিং মীচং মীখাই নাইদনা মমল লেপকদবনি অমসুং প্রাইভেট নৎত্রগা পব্লিক হেল্থ ইষ্টাব্লিসমেন্টকী খেন্নবা লৈহন্দনা মীপূম খুদিংমক্তা ভেক্সিন লেম্না কাপ্পা য়াহনগদবনি। লোয়ননা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌরগা মতম চানা রিপোর্ট পীগদবা ফেসিলিটি মরাং কায়না লিংগদবনি হায়না এদভাইজরি অদুদা পনখি।

## কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| Maharashtra | 51,40,000+37,236 | 44,70,000+61,607 | 76,398+549 |
| Karnataka | 19,70,000+39,305 | 13,80,000+32,188 | 19,372+596 |
| Kerala | 19,30,000+27,487 | 15,00,000+31,209 | 5,879+65 |
| Uttar Pradesh | 15,20,000+21,277 | 12,80,000+29,709 | 15,742+278 |
| Tamil Nadu | 14,10,000+28,978 | 12,40,000+20,904 | 15,880+232 |
| Delhi | 13,40,000+12,651 | 12,30,000+13,306 | 19,663+319 |
| Andhra Pradesh | 13,00,000+14,986 | 11,00,000+16,167 | 8,791+84 |
| West Bengal | 10,10,000+19,445 | 8,73,000+18,675 | 12,461+134 |
| Chhattisgarh | 8,63,000+11,867 | 7,27,000+13,138 | 10,742+172 |
| Rajasthan | 7,73,000+16,487 | 5,64,000+13,499 | 5,825+160 |
| Gujarat | 6,93,000+11,592 | 5,48,000+14,931 | 8,511+117 |
| Madhya Pradesh | 6,81,000+9,715 | 5,64,000+7,324 | 6,501+81 |
| Haryana | 6,29,000+12,718 | 5,10,000+16,192 | 5,766+161 |
| Bihar | 6,02,000+10,174 | 4,93,000+15,800 | 3,357+75 |
| Odisha | 5,45,000+10,031 | 4,58,000+9,706 | 2,197+17 |
| Telangana | 5,02,000+4,826 | 4,37,000+7,754 | 2,771+32 |
| Punjab | 4,51,000+8,549 | 3,64,000+6,894 | 10,704+198 |
| Assam | 2,98,000+5,803 | 2,58,000+4,231 | 1,753+77 |
| Jharkhand | 2,93,000+6,187 | 2,31,000+6,962 | 3,982+129 |
| Uttarakhand | 2,50,000+5,541 | 1,71,000+5,007 | 3,896+168 |
| Jammu and Kashmir | 2,21,000+3,614 | 1,68,000+2,855 | 2,782+56 |
| Himachal Pradesh | 1,36,000+4,359 | 99,427+2,358 | 1,938+53 |
| Goa | 1,22,000+2,804 | 87,659+2,367 | 1,729+50 |
| Puducherry | 72,975+1,266 | 57,818+1,108 | 988+23 |
| Chandigarh | 51,070+863 | 41,842+714 | 575+7 |
| Chandigarh | 51,070+863 | 41,842+714 | 575+7 |
| Tripura | 38,158+466 | 34,682+150 | 413+3 |
| Manipur | 35,778+424 | 30,685+87 | 489+13 |
| Arunachal Pradesh | 20,370+205 | 18,351+179 | 64+4 |
| Meghalaya | 20,129+409 | 16,834+241 | 233+5 |
| Nagaland | 16,283+133 | 13,249+48 | 150+10 |
| Ladakh | 15,429+112 | 13,825+106 | 157+2 |
| Sikkim | 9,924+46 | 7,215+141 | 169+2 |
| Dadra and Nagar Haveli and Daman and Diu | 8,928+81 | 7,722+199 | 4 |
| Mizoram | 7,796+173 | 5,920+165 | 22+1 |
| Andaman and Nicobar Islands | 6,398+31 | 6,125+37 | 78+2 |
| Lakshadweep | 3,982+101 | 2,980+124 | 10+1 |

# এন ঈ টি মিলিটেন্ট ৩ অনন্টনাগতা সিক্যুরিটি ফোর্সকা কাপ্নবদা শিরে

শ্রীনগর, মে ১১ (এজেন্সী):
লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সাওথ কাশ্মিরগী অনন্টনাগ দিষ্ট্রিক্টতা পুলিসকা নোংমৈ কাপ্নবদা অথিংবা থমখ্রবা টেরর আওটফিট এল ঈ টিগী মিলিটেন্ট অহুম শিখ্রে।



পুলিসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, অনন্টনাগ দিষ্ট্রিক্টকী শৈখপোরা ভিলেজগী য়ূম অমদা টেররিষ্ট অহুম লৈরে হায়বা থাজনিংঙাই ওইবা অরোনবা পাউ অমা দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ফংখিবগা লোয়ননা আর্মিগী ১৯ আর আর অমসুং সী আর পি এফনা অপূনবা জোইন্ট অমসুং সার্চ ওপরেসন অমা চৎখি।

টেররিষ্টশিং লৈরে হায়বসি মাঙজৌননা খঙলবা ওইবনা মার্চ ওপরেসন অদুদা মখোয়দা সরেন্দর তৌনবগী খুদোংচাবা পীখি। অদুম ওইনমক, টেরোরিষ্টশিং অদুনা অপূনবা সার্চ পার্টি অদুদা নোংমৈ লেপ্তুনা কাপ্লকখি। মদুদা জোইন্ট টিম অদুনা খূৎ হনখিবগা লোয়ননা নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লখি।

নোংমৈ কাপ্নফমদা লৈরম্বা মীচমশিংসু জোইন্ট টিম অদুনা রেস্ক্যু তৌখি। মখোয়না ওপরেসন অদু ঙাইহাক্তং লেপ্তুনা মীচমশিং অদু মফম অদুদগী শাফগদবা মফমদা লৈহনখি। মীচমশিং খুদোংথীনিংঙাই ওইদ্রে হায়বসি খঙলবা তুংদা ওপরেসন অদু মখা চথখি অমসুং মতুং তাবা কাপ্নবদা টেররিষ্ট পুম্নমক হাৎখি। হাৎনবা টেররিষ্টশিংগী হকচাংশিং মফম অদুদগী লৌখৎখি। মখোয় অহুম্মক মশক খঙবা ঙম্লে। অমনা ইলিয়াস অহম্মদ দার এলিয়স সমির কৌই, লৈফম্না দানৱাথপোরা কোকের্নাগনি। অতৈ অনীদুনা শ্রীনগরগী বাটমলুদগী উবাইদ সাফি এলিয়স অব্দুলাহ অমসুং কুলাগামগী খান্দোপারাদগী অকিব অহম্মদ লোনে এলিয়স সহিলনি।

পুলিস রেকোর্দকী মতুং ইন্না, জোইন্ট ওপরেসন্দা খূৎ থোক্লবদা শিরবা টেররিষ্টশিংদু অথিংবা থমখ্রবা টেরর আওটফিট এল ঈ টি অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা এটেক তৌবা য়াওনা টেরর ক্রাইম কয়াদা চেন্নবা গ্রুপ কয়াগা মরী লৈনৈ।

# ওক্সিজেন সপ্লাই থিন্থবদগী তিরুপতিগী হোস্পিটালদা কোভিদ-১৯ পেসেন্ট ১১ শিরে

তিরুপতি, মে ১১ (এজেন্সী):
দেল্লী অমসুং অতৈ ষ্টেট কয়াগী তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা ওক্সিজেন ফংদবগী ক্রাইসিস লৈরিঙৈদা অন্ধ্র প্রদেশকী তিরুপতিদা লৈবা মমিং লৈরবা রুইয়া হোস্পিটালগী কোভিদ-১৯ পেসেন্ট ১১ ওক্সিজেন সপ্লায় থিন্থবদগী শিরে হায়না চিতুর দিষ্ট্রিক্ট কলেক্টর হরিনারায়ননা ফোঙদোরক্লি।

হোস্পিটাল অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিশিংগী মতুং ইন্না কোভিদ-পেসেন্ট ১১ শিরিবদু হোস্পিটাল অদুদা ওক্সিজেন টেঙ্কর য়ৌরকপদা মিনিট মঙা চোন্থবদগীনি।

অদুম ওইনমক, খূদক্তা ওক্সিজেন পীবা হৌবদগী মখা তানা পেসেন্ট কয়া শিরমগদবদগী কনখি। হোস্পিটাল অদুদা পেসেন্ট ১০০০ রোম লায়েংলিবনি। খঙহৌদনা ওক্সিজেন সপ্লাই লেপখিবদগী পেসেন্ট কয়া শ্বর হোনবা ৱাবা হৌরকখি।

ওক্সিজেন সপ্লাই লেপ্পদগী শ্বর হোনবা ঙমদ্রবা পেসেন্টশিংদু হিংগৎহন্নবা দোক্টরশিংনা সি পি আর প্রোসিজর চথনবা হোৎনখি। অমরোমদা, পেসেন্টশিংগী ইমুং মনুংশিংনা কার্দবোর্দ শীজিন্নদুনা নুংশিৎ হুমজিল্লগা পেসেন্টশিং হিংহন্নবা হোৎনখি। থৌদোক অদুগী মতাংদা ইনক্বাইরি চথবা হৌখ্রে। চীফ মিনিষ্টর ৱাই এস জগনমোহন রেদ্দিনা রিপোর্ট অমা কৌখ্রে।

# রাজস্থানদা য়ূমথোঙ খূদিংগী সর্ভে তৌরি মীওই লাখ ৭ হেন্না কোভিদকী লাইওংশিং চেল্লে

জয়পুর, মে ১১ (এজেন্সী):
রাজস্থানদা কোভিদ-১৯ এক্টিভ কেস মশিং লাখ অনী হেনখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা হৌজিক য়ূমথোঙ খূদিংগী সর্ভে তৌবদা লাইহৌ, লোক খুবা অমসুং লোক থুংবগী লাইওংশিং চেনবা মীওই লাখ ৭ হেন্না থেংনরে হায়না ষ্টেট অসিগী মেদিকেল এন্দ হেল্থকী সেক্রেটরি সিধার্থ মহাজননা ফোঙদোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর অশোক গেহলোতনা চ্যের লৌদুনা নিংথৌকাবগী নুমিদাং অথেংবদা কোভিদ রিভিয়ু মীটিনদা মহাজননা হায়খি। রাজস্থানদা ইনফেক্সনগী চাং অসি লেপ্তুবা তারবদি কোভিদ কেস মশিং নুমিৎ ২৬ কী মনুংদা দব্বল ওইগনি। খুঙ্গংশিংদসু ইনফেক্সন কন্ট্রোল তৌনবগী লাল্লোং য়াৎপদা খুদোংচানবা য়ূমথোঙ খূদিংগী সর্ভে তৌরি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা চীফ মিনিষ্টর গেহলোতনা হায়খি, ইনফেক্সনগী চেইন থুগায়নবা এম এল এ অমসুং পঞ্চায়ত রাজগী মীহুৎশিংনা লোকদাওন চেকশিন্না ইমপ্লিমেন্ট তৌগদবনি।

খুঙ্গংগী লমশিংদসু কোভিদ-১৯ মীপাইনিংঙাই ওইবা মওংদা শন্দারক্লে। হৌজিক লৈরিবা ফিভম অৱাবগী মশক্নি। মরম অদুনা মীপূম খূদিংমক্না কোভিদ গাইদলাইনশিং ঙাক্কদবনি।

ওপোজিসন লুচিংবা গুলামচান্দ কাটারিয়ানা মীফম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা লুরবা মতম অসিদা মীপূম খূদিংমক্না পোলিটিক্সকী খেন্নবা থমদনা কোভিদকা লান্থেংনগদবনি হায়খি।

## ꯊꯥꯒꯠꯄ / PAPER গী থোঙদা ওজা ABDUL HAK পু থাগৎচরি

ঐহাক Piles কী অনাবনা খোং হাম্বা মরক মরক্তা ঈ য়াওবা, শৌজগী অকোইবদা পোমথোরকপা অমদি শোকপদা নাবা, অমাংথোঙদা হাক্কৎচবা, ব্রি-ব্রি চৎপা, অমাংথোঙ মপান্দা চাথৎলগা থুপ্পা, মচুম তারকপা, খোং হাম্বদা য়াম্না শাবা, পুক খোংবা, খ্বাং নাবা অমসুং থবাক ফূনবা অসিনচিংবা অনাবশিং অসি মণিপুরগী মফম কয়াদা চত্তুনা লায়েংজরুরে, ফবা লৈখিদে। মমৈথংদা ওজা Abdul Hak Mobile No. 8794429681 অমসুং 8014623756 কী মনাক্তা চত্তুনা লায়েংজরুবদগী Piles মপূং ফানা ফজরে, হকচাং নুংঙাইজরে। মরম অদুনা ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমদি :-
Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5 pm)

থাগৎচরিবা : O. Achou Oinam

HL-P/9659/12

## ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / দশা য়েংজরি



চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, ফেল ওইবা, অৱাংবা পরিক্ষা, থবক মফম সরকারগী থবক, পক্লবা করবার, শেল-থুম, শেল পুখ্রবা, য়ূম-ইংখোল, গাড়ী নম্বর মচু, য়ূম্বাল, ইচা-ইশু, অঙাং য়াওদবা, নিশাদা লাইচুবা, হায়না-তানবা ইন্দবা, হকচাংগী অনাবা, পোৎশেম-যাদু, এক্সিদেন্ট, য়েক্লবনা মাঙনবা তৌবা, পক্লবা লক্কিষ্টোন, যন্ত্র, ঈরাৎ-থৌনী মরমশিং অসি খূবাক ময়ি অমদি কুঠীদগী কুপ্না য়েংজরি। য়ূমদা লাকপা খূদোংচাদবশিং Whatsapp কী খূত্থাংদা online দা য়েংবীবা য়াগনি। অয়ূক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ৪.৩০ ফাওবা, লৈবাকপোকপা য়েংজদে। Whatsapp mobile : 9077188456

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra,** (International Astrologer)
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Near Community Hall, Imphal East

HL-P/9658/21/4-22/5

## ꯅꯨꯡꯁꯪ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নান্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোন্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনাৰৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-P/9231/15/3-16/4

## IN THE COURT OF THE DISTRICT JUDGE: BISHNUPUR, MANIPUR

**Original (Succession) Suit No. 1 of 2021**

Oinam Peleshkumar Singh.
...Petitioner

-Versus -

Oinam Brojendro Singh and others.
...Respondents.

**SUBSTITUTED SERVICE**

To
All interested person (s).

Whereas, the above named petitioner has filed an application, U/S 372 of the Indian Succession Act, 1925 praying for granting a Succession Certificate in his name (Petitioner) in respect of the Debt and Security of the 2 (Two) Life Insurance Policies Nos. (i) 492884151; and (ii) 492884725 of LICI purchased by the Late Oinam Budhi Singh.

And Whereas all the interested persons are hereby summoned to appear in this Court in person or by a pleader duly able to answer the questions on 19th day of May, 2021 at 10.30 O' Clock to raise any objection, if any.


Take notice that in default of your appearance on the aforementioned date and time, the case will be heard and determined in your absence.

Given under seal and signed of the Court, this the 4th day of May, 2021.

SEAL
By :- Advocate
HL-P/9739/12&13

Sd/- Sheristadar,
District & Session Judge,
Bishnupur.

**ꯊꯥꯒꯠꯄ/অমাংথোঙ মনুংদা য়াইরোংমুক চাওবা অমা পোমথোরকপা, য়াইরোংমুক চাওনা পোমথোরকপা অদুনা মরম ওইরগা চিকপা-নাবা তৌরগা খাঙবা ঙমদবা, পোমথোক্লগা লৈবা অদুনা ফম্বা ফাওবা ঙল্লক্তবা অদু ওজা রিয়াজউদ্দিননা ফহনবীবগীদমক ওজাবু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ ময়াদা য়াইরোংমুক চাওনা অমা পোমথোরকপা, য়াইরোংমুক চাওনা পোমথোরক্লগা লৈবা অদুনা মরম ওইরগা য়াম্না চিকপা নাবা তৌরগা খাঙবা ঙমদবা, পোমথোরক্লগা চিকপা অদুনা ফম্বা ফাওবা ঙমদবা, চিকপা-নাবা অদুনা মরম ওইরগা অহিংফাওবা মপূং ফানা তুম্বা ঙল্লক্তবা, অমাংথোঙদা হৱাই মঙ্গন মরুগুম্না পোমথোরক্লগা লৈবা, খোং হাম্বদা হামেং মরুগুম্না অকন-অকনবা হাম্বা, থবাক নাবা, খোঙ য়াম্না নারগা থবক কুইনা শুবা ঙমদবা, কোক তোয়না ঙাওবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা, য়াংলেন শরূদা চীকপা-নাবা, ফম্বী শোনবা অদু ওজা রিয়াজুদ্দিন, ☎ **7085494783, 9856797338** দা চত্তুনা লায়েংবদগী ঙসি ঐগী ইফমদা লৈরম্বা অনাবা পূম্নমক ফরে। মরম অদুনা ওজা রিয়াজুদ্দিনবু থাগৎচরি।

লায়েংফম :-**(1) North AOC near Central GST Bhavan, Imphal. (2) Mayang Imphal (3) Mantripukhri Friends Colony Bylane-3 (4) Moreh Phaicham Veng.**

*থাগৎচরিবা :* **Indrani Keisamthong**

HL-P/9615/12